HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্ট এ গুনেশ্বর অমদি ইম্ফাল ইষ্ট আর কে মেমচা অমদি অস্থাগী প্রসিদেন্ট এম নিলচন্দ্রনচিংবনা শরুক য়াদুনা রিপব্লিক দেগী থৌরম পাঙথোকখিবা

চেন্নরিবা মীওইশিং চৈরাক পীগদবনি : কে এস এ
☛ লামায় ২

রানি গাইদিনলিয়ুদা গভর্ণরনা লুচিংদুনা লৈ-শু কৎখ্রে
☛ লামায় ৩

বি জে পিনা সেক্যুলরিজমবু কন্না শীংনরি : আর কে অমুসনা
☛ লামায় ৫

পুয়া মৈ থাখিবগী নীংশিং কুমওন পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ৬

ঙরাং পাঙথোকখিবা ৭৩শুবা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা পেরেদ কম্মান্দর ওইখিবী ৯শুবা ইন্দিয়া রিজার্ভ (মহিলা) বট্টালিয়নগী কম্মান্দেন্ট কে ঐচ সর্মানা সেল্যুটিং বেজদা গভর্ণর লা গনেসনদা সেল্যুট পীখিবা



Vol. 45, Issue No. 300 | ইরাই, ৱাকচীংগী ২৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, January 28, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

### বি জে পিগী কেন্দিদেটশিং লাউথোকখিদ্রি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস): তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা মীরেপ ওইগদবা কোংগ্রেস, এন পি পি অমসুং সী পি আইনচিংবগী কেন্দিদেটশিং অহানবা ফেজগী ওইনা লাউথোক্লখ্রবসু লৈঙাকসিবু লুচিংলিবা বি জে পিগীদি ঙসি অহিং নোংয়াই ফাওবদা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইগদবা কেন্দিদেটশিংগী অপূনবা নৎত্রগা তাঙ্কক নাইবা মীরেপশিংগী মমিং লাউথোকখিদ্রে।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ২৫দা দেল্লীদা লৈবা বি জে পিগী নেসনল ওফিসতা প্রাইম মিনিষ্টর, দিফেন্স মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর য়াওনা মকোক থোংবা লুচিংবশিংগী মীফমনা মণিপুরগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মতাংদা খন্নদুনা লৈখাই তারে হায়বগী ৱাফম লৈখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টরনসু অহানবা ফেজগী মীরেপশিং অয়াবা পীখ্রে হায়বসু লৈখিবনি।

#### কোংগ্রেস এম এল এ ২ অমসুং ঐচ বিক্রমজিৎকী মথক্তা লৌখৎপা ক্রিমিনেল কেস

# পুলিসনা মতিক চাবা ইভিদেন্স ফংদে হায়দুনা কোর্টতা ক্লোজর রিপোর্ট থাগৎলক্লে







ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৭ (ঐচএনএস): জুন ১৮, ২০২০দা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী রাজ্য সভাগী মীখলগী মাঙওইননা থোকখিবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অদুগী মনুং চন্না ২১- নাওরিয়া পাখংলাকপা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী হৌজিক্কা এক্স এম এল এ ওইরবা সোইবম সুভাসচন্দ্রনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা কোংগ্রেস এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্র অমসুং থোকচোম লোকেশ্বর অমদি পাঙথোক্লগদবা ১২শুবা মীখলদা য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা এন পি পিগী কেন্দিদেটনি লাউথোকখ্রবা হুইদ্রোম বিক্রমজিৎকী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমনেল কেস অমগী মতাংদা পুলিসকী মায়কৈদগী মতিক চাবা ইভিদেন্স ফংদে হায়দুনা কোর্টতা ক্লোজর রিপোর্ট থাগৎলকপদগী কোর্টনা দিস্পোজ তৌখ্রে।

কেস অসিগী কমপ্লেনেন্ট ওইরিবা সোইবম সুভাসচন্দ্র মতম অদুদা বি জে পিগী এম এল এ ওইখিবনি। মহাক্না জুলাই ৪, ২০২০দা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনদা ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্ট অমদা মহাক বি জে পিগী ৱার্কর/সপোর্টর অমা ওইবদা নত্তনা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা ২১-নাওরিয়া পাখংলাকপা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী বি জে পিগী এম এল এ ওইনা কারকখিবনি। অদুবু থোকখ্রিবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অদুগী মনুং চন্না মহাকপু পাৎশোইদা লৈবা ঐচ ভি এস কন্সত্রক্সন্স মেটরিএলস প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর হুইদ্রোম বিক্রমজিৎকী এরিয়াদা জুন ১৭, ২০২০দগীনা জুন ২৩, ২০২০ ফাওবা নুমিৎ তরেৎনি ফাজিন্দুনা থমখি। হায়রিবা নুমিৎশিং অসিগী মনুংদা মঙোন্দা ফিজিকেল অমসুং মেন্টেল টোর্চর তৌদুনা কোংগ্রেস এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্র, থোকচোম লোকেশ্বর অমসুং হুইদ্রোম বিক্রমজিৎনা লৌতুনদুনা নম্ফুদা এম এল এ ওইবদগী তোকপগী চেরোল অমা জুন ১৭, ২০২০দা পীশিনহনখি। হায়রিবা থবকশিংসি মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বাজিৎকসু লৌতুনদুনা চখখিবনি হায়বসিনি।

সোইবম সুভাসচন্দ্রনা তৌরকখিবা রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না পাৎশোই পুলিস ষ্টেসননা ক্রিমিনেল কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর ২৫ (৭) ২০২০নি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৪১, ৩৪২, ৩৪৭, ৩৪৮, ৩৫২, ৩৬৫, ৩৮৬, ৪০৬, ৪১৮, ৪২০ অমসুং ১২০ -বিগী মখাদা লৌখৎপনি। অদুবু পুলিসকী মায়কৈদগী ক্রিমিনেল কেস অসি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা মতমদদি কমপ্লেনেন্টনা ফাইল তৌরকপা রিপোর্টতা মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বাজিৎকসু লৌতুনৈ হায়না ফোঙদোরকখ্রবসু পুলিসকী মায়কৈদগীদি কেসসিগী এক্যুজশিং ওইনা এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্র অমসুং থোকচোম লোকেশ্বর য়াওনা হুইদ্রোম বিক্রমজিৎ খক্তমক এক্যুজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌখি।

কেস অসি মরী লৈনবা কোর্টতা পুলিসকী মায়কৈদগী রেজিষ্টর তৌরে হায়না খঙহল্লকখ্রবসু কেস অসিদা সিটিং এম এল এ ২ চেন্নবনিনা কেস অসি লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা স্পেসল কোর্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# ওজাশিং ত্রান্সফর তৌখ্রবসু জোইন তৌরক্তবনা মহৈরোয়শিংনা ওজা ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৭ (ঐচ এন এস) : থা অসিগী ৭তা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এদ্যুকেসন (এস) কী অন্দর সেক্রেটরিনা থোক্লকপা ওর্দরশিংদা প্রিন্সিপাল ২ অমদি ভাইস প্রিন্সিপাল ১ য়াওনা তোঙান-তোঙানবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা ট্রান্সফর-পোষ্টিংগী ওর্দর থোকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা হায়রিবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা জোইন তৌনরক্তবনা স্কুলগী ষ্টাফশিং অমদি মরুওইনা স্কুলশিং অসিদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা ওজা ৱাৎপগী চাওনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি।

জন্যুৱারী ৭কী নুমীৎ অসিমক্তদা এদ্যুকেসন (এস) কী অন্দর সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী ওজা ২৮ প্রিন্সিপালগী পোষ্টতা প্রমোসন পীবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংদা ট্রান্সফর-পোষ্টিংগী ওর্দর থোক্লকখি। অদুবু ট্রান্সফর-পোষ্টিংগী ওর্দর থোকখ্রবসু হায়র সেকেন্দরি স্কুল খরগী ওজাশিংদি ট্রান্সফর তৌখ্রবা স্কুলশিংদা চৎতদুনা হান্না পুরম্বা স্কুলদা অদুমক লৈরি হায়বগী ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লরক্লি। অসিগুম্বা ফীভমশিং অসিদা ওজা মতিক চানা লৈতবা স্কুলশিংগী ষ্টাফশিংদা অমদি মহৈরোয়শিংদদি চাওনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। অদুবু অসিগুম্বা ফীভমশিং অসি এদ্যুকেসন (এস) কী দিরেক্টর অমদি মরি লৈনবশিংনা খঙনা-খঙনা অল্টরনেটিভ এরেঞ্জমেন্ট অমা তৌবিদদুনা খঙশিন্নদবগুম্না তুমিন্না লৈশিনবগী থৌওং অসিদসু পেন্দবগী ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।

ফীভম অসি মখা তানা শাংথনা থোক্তনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অথুবা মতমদা য়েংশিনবিয়ু হায়নসু হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসনগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংগী পেরেন্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

### এদ্যুকেসন-এসনা ও এস দিওইনা ট্রান্সফর-পোষ্টিং পীবদা ষ্টেট টিচর্স এৱার্দি ফংদবা ওজাসু য়াওরম্লে



পাউচে অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা জন্যুৱারী ৭তা ট্রান্সফার-পোষ্টিং ওর্দরশিং থোকখ্রবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগী মনুংদগী খরদা চৎতুনা থীগৎলুবদা হায়র সেকেন্দরি স্কুল খরদদি অদুমক প্রিন্সিপাল খরা নৌনা জোইন তৌবগা লোয়ননা স্কুল নীংথিনা চলায়রম্না থেংনরকখি। অদুবু কৈশামথোংদা লৈবা রামলাল পাল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদদি নৌনা ট্রান্সফর তৌরকখিবা প্রিন্সিপাল অদু ঙসি ফাওবা জোইন তৌরমদবা থেংনরকখি।

ট্রান্সফর ওর্দর থোকখিবা নুমীৎ ২০নি হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা জোইন তৌরকখিদ্রবা রামলাল পাল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ষ্টাফ অমনা ফোঙদোরকখিবদা স্কুল অসিদা ঙসি ফাওবা নৌনা ট্রান্সফর ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### পঞ্চায়টকী বন্দনা অকায়বা পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস): খুঙ্গংগী মীয়ামগা হকথেংননা শম্নরিবা অমসুং মখোয়গী চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎলিবা পঞ্চায়টশিংগীদমক্তা ইন্দিয়া গভর্ণমেনন্টনা থাদরকপা শেনফমশিং মণিপুর লৈঙাক্না ফাজিন্দুনা থম্ববু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মণিপুরগী পঞ্চায়ট ১৬১না কোনবা মফমশিংদা ঙসি অয়ূক পুং ৬তগী হয়েং নুংথিল পুং ৫ ফাওবা পুং ৩৬কী ওইনা বন্দ চখ্থরকখিবনা মরম ওইরদুনা মফমশিং অসিগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

### ইলেক্সনগী নত্তে হায়বগী মরম পীদ্রবদি লুপা লিশীং ৫০দগী হেন্না পুবা ফারগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস): পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী তাঙ্কক অনীগী ইলেক্সনগা মরী লৈনবা নত্তে হায়বগী চপ চাবা খুদম চাংদম পীদ্রবদি কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা লুপা লিশীং ৫০গী মথক্তা পুরগা চৎলম্লবদি ফারগনি অমসুং ইলেক্সনগা মরী লৈনদে হায়বগী মতিক চাবা মরমশিং পীদ্রিবা ফাওবা থাদোক্লোই হায়রি।

ৱাফম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ২১.৪৮°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৫.৭৪°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৪.০৯
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৫৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫৬

**HL Poll**

Q: BJPgi candidatesing laothokpa ngamdribasi candidate maselgi marakta yetnabadagi oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Khourangna ngairakliba BJPgi ticket laothokpada mana manil nairakloi haibada achumba oiroidra?

Yes 17% No 83%

**অস! লোইরেহে!**

-সার, টিকেট লাউথোরক্লবদি ডাক্তর অমা, এম্ব্যুলেন্স অমা মথৌ তানি।



- কৈসু তৌরোই, নূঙ, চেক, পেট্রোল লোইনা লৈরে।

## খুরাইদা কোংগ্রেস মূখৎলে হায়দুনা লাউথোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৭ (ঐচএনএস) : পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুরগী এসেমব্লি মীখলদা খুরাই এ সীদা কোংগ্রেসকী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইখিবা খুরাইজম রতনকুমারদা পার্টি অসিগী টিকেট পীরক্তবদগী মহাকপু শৌগৎপা ৱার্কর/ভোটরশিংনা কোংগ্রেসকী ফিরাল/বেনর/ফেষ্টুনশিং মৈ থাদুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবগা লোয়ননা কে ঐচ রতনকুমারসু কোংগ্রেস পার্টিদগী তোকখ্রে হায়রি।

ঙসি নুমিদাং কংলা শঙ্গোমশঙদা লৈবা মশাগী য়ূমদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা মহাক কোংগ্রেসকী প্রাইমারি মেম্বর, সেক্রেটরিনচিংবা ওইবদগী তোক্লে হায়দুনা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে হায়খি।

অদুম ওইনমক খুরাইগী মীয়ামগীদমক য়েংলগা অতোপ্পা পার্টি অমদা শীংনবা অমগা লোয়ননা হয়েং ফাওবগী মনুংদা নেসনল পার্টি অমদা য়াওরগনি হায়খি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা খুরাইদগী কোংগ্রেস মূৎলগনি। ফীভম অসি কোংগ্রেস পার্টিনা শীঞ্জনবনি হায়খি। ব্লোক কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সনাজাওবনসু পাউমীশিংদা থম্মোয় শোক্না কোংগ্রেস মূখৎলে হায়দুনা লাউথোকখি।

## কোংগ্রেসনা পার্টি ৫গা পূন্না প্রি পোল এলাইএন্স শেমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৭ (ঐচএনএস) : ফেব্রুৱারী ২৭ অমসুং মার্চ ৩দা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিবু মপূং ফানা মায়থীবা পীনবগীদমক কোংগ্রেসনা ৱাখল মান্নবা তোঙান তোঙানবা পার্টি মঙাগা প্রি পোল এলাইএন্স তৌনবগী য়ানবা পুরকখ্রে।

য়ানবদগী প্রি পোল এলাইএন্স তৌনখ্রবা পার্টিশিং অদুদি সী পি আই, সী পি আই-এম, আর এস পি, জে দি -এস, ফোরৱার্দ ব্লোক অমদি কোংগ্রেস পার্টিনি।

পার্টি তরুক পূনশিন্নদুনা প্রি পোল এলাইএন্স তৌনবগী মতাংদা ঙসি নুংথিল কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট এন লোকেননা হায়, মণিপুর নত্তনা লৈবাক অসিদা লৈঙাক পায়রিবা নরেন্দ্র মোদিগী এন দি এ লৈঙাক অসিনা মণিপুর য়াওনা লৈবাকসিদা ওইরক্লিবা পোলিটিকেলগী ফীভম য়েংলগা তঙাইফদনা মণিপুর অমসুং লৈবাকসিদগী এন দি এ লৌথোকখিদবা তারগদি মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট পূন্নমক মনীং হনবগী ফীভমদা লাক্লগনি। ঙসিদি নেসনলগী থাক্তা এন দি এগী পার্টনর নত্তবা ৱাখল্লোন মান্নবা সেন্টরদা পোলিটিকেল পার্টি ১৯না পূনশিন্নখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী ওইনসু পার্টি তরুক পূনশিন্নদুনা প্রি পোল এলাইএন্স শেম্লে।



পার্টি তরুক অসিনা বি জে পি লৈঙাকপু মরু ফংনা মুখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়দুনা মতম কয়াগী মমাঙদগী খন্নরবা মতুংদা য়ানবদগী নুংঙাইবা অদু ফোঙদোকপনি হায়খি।

সী পি আইগী ওইনদি সিট ২ হান্না লাউথোক্লে। খুরাই অমদি ককচীংদা পার্টি অসিগী সিটশিংদা মীরেপ লৈখ্রে। অদুনা মরম ওইরগা ককচীং এ সীদি হান্না কোংগ্রেসকী মীরেপ লাউথোকখ্রবসু ফ্রেন্দলি কন্টেষ্ট তৌরগনি অদুগা খুরাইগীদি সী পি আইগী মীরেপ ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## মফম ৪দা বোম পোকখায়খ্রে, ১না দিফ্যুজ তৌখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৭ (ঐচএনএস) : ঙরাং পাঙথোকখিবা ৭৩শুবা রিপব্লিক দে থৌরমগী মাঙওইননা কোরকোম অমসুং অসুক য়াওনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলূপশিংনা টোটেল শটদাউন/বোয়কোট/বন্দ/জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবগী অথিংবশিং থমজিল্লকখিবগা ইরোয়ননা ঙরাংগী থৌরম অদুগী মমাঙ অমসুং মতুংদা শকখঙদবশিংনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা বোম মরি পোকখায়হনখ্রে লোয়ননা বোম অমনা দিফ্যুজ তৌখ্রে।

ঙরাং অয়ূক পুং ৫ রোম তাবা মতমদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাইখোঙ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ৱাংঙু লমখাইদা শকখঙদবশিংনা বোম অমা পোকখায়হনখ্রে। থৌদোক অদুদা মীদি অশোক অপন অমত্তা য়াওখিদে। নুমিৎসিগী অয়ূক্কী পুং ৯ রোম তাবদনা ককচীং খুনৌদা লৈবা তরাখোঙ মনাক্তা শকখঙদবশিংনা হান্না প্লান্ট তৌদুনা থল্লম্বা বোম অমা পোকখায়হনখি ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

### প্রিপাকনা ক্লেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ : পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী খূৎলায় পায়বা লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মি (আর এ) গী স্পেসল টাস্ক ফোর্স এ অমদি সীনা ঙরাং পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী ৭৩শুবা রিপব্লিক দে থৌরম নুমিৎকী অয়ূক অঙনবা মতম অমসুং থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফম ৪দা বোম পোকখায়হন্দুনা প্রিপাক্না থৌরম অসিগী মায়োক্তা লৈ অমসুং থৌরম অসিবু বোয়কোট তৌই হায়বা উৎখিবগা লোয়ননা আই ও এফশিং থরক হুলহনখ্রে হায়রি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## নুমিৎ নীনিদা অনৌবা কেস ৭৫৩ থেংনখি, ৫৮৭ ফগৎলকখি, মীওই ৫ লৈখিদে

| জন্যুৱারী ২৭, ২০২২ ফাওবদা খ্বাইদগী য়াম্না থেংনখিবা চহীসিগী পোজিটিভ কেসশিং | | | | |
|---|---|---|---|---|
| সে নং | থেংনবা নুমিৎ | টেষ্ট তৌখিবা সেম্পল | পোজিটিভ মশীং | পোজিটিভিটিগী চাং |
| ১ | ১৬.০১.২০২২ | ১,৯৩৮ | ২৭৯ | ১৪.৪ |
| ২ | ১৭.০১.২০২২ | ১,৯৭৪ | ২৩৫ | ১১.৯ |
| ৩ | ১৮.০১.২০২২ | ২,৭২৪ | ৩৮০ | ১৪.০ |
| ৪ | ১৯.০১.২০২২ | ২,৫০৮ | ৩৫৮ | ১৪.৩ |
| ৫ | ২০.০১.২০২২ | ২,৯৪৪ | ৪৪৮ | ১৫.২ |
| ৬ | ২১.০১.২০২২ | ২,৯৮৮ | ৫৭৮ | ১৯.৩ |
| ৭ | ২২.০১.২০২২ | ২,২৩০ | ৪০৪ | ১৮.১ |
| ৮ | ২৩.০১.২০২২ | ২,৫১৩ | ৪১১ | ১৬.৪ |
| ৯ | ২৪.০১.২০২২ | ২,৩১১ | ৪১৮ | ১৮.১ |
| ১০ | ২৫.০১.২০২২ | ২,৬৮৭ | ৪৬১ | ১৭.২ |
| ১১ | ২৬.০১.২০২২ | ২,৩৮৮ | ৩৮৮ | ১৬.২ |
| ১২ | ২৭.০১.২০২২ | ১,৯১৫ | ৩৬৫ | ১৯.১ |

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৭ (ঐচএনএস) : ঙরাং অমসুং ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা নুমিৎ নীনিদা অনৌবা পোজিটিভ কেস মথংশিংনা ৩৮৮ অমসুং ৩৬৫ পূন্না ৭৫৩ থেংনরগা নুমিৎ নীনিসিদা পূন্না মীওই ৫৮৭ নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রবসু পূন্না মীওই ৫ লৈখিদবগা লোয়ননা ঙসি ফাওবগী পোজিটিভিটিগী চাংনা চাদা ১৯.১ অমুক য়ৌরক্লে হায়রি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ঙরাং নুংথিলগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৪, মীচম মীয়াম ৩৮২ নৌনা পোজিটিভ ওইরকখি অদুগা হীদাক কাপথোক্ত্রিবা মীওই ৩ কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদে হায়রি। মীওইশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং উখ্রুলদগী অমমমনি হায়রি।

পোজিটিভিটিগী চাংনা অপূনবা সেম্পল ২,৩৮৮ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা পোজিটিভ কেস ৩৮৮ থেংনদুনা চাদা ১৬.২ য়ৌরকখি হায়রি। অদুগা ঙসি নুংথিলগী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৩৬২ থেংনখি। মসিগী মনুংদা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩ অমসুং মীচম মীয়ামগী মরক্তগী ৩৬২নি।

মীচম মীয়ামগী পোজিটিভ কেস মশীং অসিগী মনুংদা নুপা ১৬৩ অমসুং নুপী ১৯৯নি। অনৌবা কেসশিং অসি থেংনখিবা মফমশিংনা রিমস ৪৪, জেনিমস ২৪ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা ২৯৭নি হায়রি।

পোজিটিভ ওইরবশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট ৯৫, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৪৫, থৌবাল ২৫, বিষ্ণুপুর ২৬, ককচীং ১৩, কামজোং ১, কাংপোকপী ৫, উখ্রুল ৪, তমেংলোং ৬, তেংনৌপল ৫, নোনে ১, সেনাপতি ৪, চান্দেল ৫ অমসুং চূড়াচান্দপুরদগী মীওই ২৭নি হায়রি।

লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না কোভিদকী সেকেন্দ দোজগী ভেক্সিন কাপথোক্লবা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং উখ্রুলদগী মীওই ১/১ লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওই অনী অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ২০৩৬ শুখ্রে।

ঙসিগী ওইনা নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ৩৪৭নি। মখোয়গী মনুংদা হোম আইসোলেসনদগী ২৪৩, রিমস ১৩, জেনিমস ৫ অমসুং ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## গভর্ণরনা লৈবাক্কী ফিরাল পাইহন্দুনা ৭৩শুবা রিপব্লিক দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৭ (ঐচএনএস) : লৈবাক্কী মফম পূন্নমক্তা পাঙথোক্লখিবগুম ঙরাং ষ্টেট অসিদসু গভর্ণর লা গনেসননা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহন্দুনা ৭৩রক শুবা রিপব্লিক দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কংলা মনুংদা পাঙথোকখিবা মপূং ওইবা থৌরমদা গভর্ণরনা লৈবাক অসিগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাইহনখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মার্চ পাষ্ট কন্টিনজেন্টশিংনা পীবা সেল্যুট ওকখি। থৌরম অসি গভর্ণরনা অনীশুবা এম আরগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট এম সুরজনা লুচিংবা তরুকশুবা এম আরগী কন্টিনজেন্ট অমগী গার্দ ওফ ওনর য়েংশিনবগা লোয়ননা হৌদোকখি। অদুগা লৈবাক অসিগী ঈশৈ শকপগা লোয়ননা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাইহনখি।

অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা গভর্ণরনা মার্চ পাষ্ট কন্টিনজেন্ট ২১না পীবা সেল্যুট ওকখি। কন্টিনজেন্ট অসিবু মাপনশুবা আই আর বি (মহিলা) গী কম্মান্দেন্ট কে ঐচ সর্মানা পেরেদ কম্মান্দর ওইদুনা লুচিংখি। কন্টিনজেন্টশিং অদুগী মনুংদা বি এস এফ, সী আর পি এফ, সী আর পি এফ বেন্দ, মঙাশুবা এম আর, তরুকশুবা এম আর, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী কম্বাইন্দ সিভিল পুলিস, অনীশুবা এম আর অমসুং অনীশুবা আই আর বিগী কম্বাইন্দ বেন্দ, থৌবাল, ককচীং অমসুং বিষ্ণুপুরগী কম্বাইন্দ কম্মান্দো কন্টিনজেন্ট, ৯শুবা আই আর বি মহিলা বট্টালিয়ন, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী নুপী পুলিসকী কম্বাইন্দ কন্টিনজেন্ট, ৯শুবা আই আর বিগী মহিলা বেন্দ, নুপা হোম গার্দশিং, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী কম্বাইন্দ ভি দি এফ, মণিপুর ফায়র সর্ভিস, হোম গার্দকী নুপা অমসুং নুপীশিংগী কম্বাইন্দ বেন্দ, ত্রাফিক পুলিস, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীংগী কম্বাইন্দ সাইক্লিং পেট্রোলিং টিম, এম এম জি প্লেতুন, অহানবা এম আর, থ্রী ইঞ্চ মোর্টর প্লেতুন, অহানবা এম আর, এস বি দি দি এস (সী আই দি টেক্নিকেল) (বোম স্কাউদ) অমসুং মণিপুর পুলিসকী দোগ স্কাউদ য়াওখি।

থৌরমগা মরী লৈননা গভর্ণরনা তোঙান তোঙানবা মণিপুর পুলিসকী ওফিসর অমসুং পর্সনেলশিংদা প্রসিদেন্টস পুলিস মেদল ফোর দিষ্টিংগুইজদ্ সর্ভিস, পুলিস মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সর্ভিস অমসুং পুলিস ট্রেনিংগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরস মেদল ফোর এক্সিলেন্সকী মেদলশিং লৈতেংখি।

প্রসিদেন্টস পুলিস মেদল ফোর দিষ্টিংগুইজদ্ সর্ভিস ফংলবশিংদা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসনগী ইন্সপেক্টর দব্লিয়ু অশোককুমার অমসুং অনীশুবা এম আরগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
● Minimum Down Payment
● No Guarantor required
● One Day Delivery
Area Coverage:
* Imphal East
* Imphal West
* Bishnupur



Pliz contact :-
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar
HL-B/7434/14 Jan to 14 Feb.